# সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ ভর্সেস মণিপুর কনবা

ৱাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল লূৱাং

*খুন্নাইদা* মহাম তারবা মিঙ্গৌ থাগৌ অমদি থকসি-খাসি -৫শুবা অরোইবা শরুক্কী মরক থৎলগা মতাংনা য়াদদনা চৎলিবা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ৮দা লোক সভা (লৱার হাওস) তা পাস তৌখ্রবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬সি থাসিমক্কী ৩১দগীনা ফেব্রুৱারী ১২/১৩ রোম ফাওবা চঙ্খগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা রাজ্য সভা (অপ্পর হাওস) তা পাস তৌনবা পুথোরকপা য়াই, মদুদা থিংহৌনবা কন্না হোৎনবশিংগী ৱাফমশিং কন্না ঙাঙনরকপসিদা অইবনসু মতাংসিদা ৱাফম খরা থমজনীংবদগী তঙাইফদ্দনা জন্যুৱারী ২৯দা হান্নগী ৱারেংগী ৫শুবা মরক থৎলগা ৱারেংসি ইজবনি। পাবিরিবশিংনা ঙাকপীগনি। মমাঙগী ৫শুবা অরোইবা তাঙ্কক্তুনা ফেব্রুৱারী ৫দা ইজরক্কে।

মণিপুরদা চহী কয়াদগী মীতোপশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপদগী মীপাইবা কয়া লৈরিঙৈগী তাল্লক্তা অনৌবা চহী ২০১৯গী জন্যুৱারী ৮দা লোক সভাদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌখিবসিনা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা নোংমা নোংমগী লেপ্পা লৈতনা অকনবা খোঙজংশিং চখ্খরি। চখ্খরিবা খোঙজংদি সিটিজনশিপ বিল হায়রিবসি ষ্টেটশিংসিদা চৎনহনবা য়ারোই। অদুনা জন্যুৱারী ৩১দগী ফম্বা হৌগদৌরিবা বজেট মীফমদা রজ্যা সভাদা পাস তৌহন্দনবা মখল মখাগী ঈহৌ হৌবসি তঙাইমক ফদবা অমনি হায়বসিনি। মরমদি, করিগুম্বা খুজিন খুনাম্থোক্তগী হায়রিবা বিলসিমক রাজ্য সভাদসু পাস তৌরগা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা হেক পীখিবদা মী হাৎপা ঙম্বা হিংচাবগী এক্টনি হায়রিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱর্স এক্ট ১৯৫৮দগী হেন্না শাথিগদৌরিবনি। অহানবগীনা লালহৌবশিং নমথবগী মীংদা মীচম কয়া হাৎখিবগা লোয়ননা নুপীজা কয়া নুপী ওইবগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবিখ্রবনি। মসিদনা মীবু ওৎ নৈরগা মীশিং হন্থহনবনি। অদুগা, হন্দক্কী সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬সিনা এক্ট ওন্দুনা চৎনরকপা মতমদনা হান্নদগী শোখ্দুনা লৈরবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংবু মশীং য়াম্লবা মীতোপশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না সিটিজনশিপকী অয়াবা পীরগা থাজিল্লক্লবা মতুংদা য়েলহৌমীশিং তপ্না-তপ্না য়োৎশিলহন্নবা থৌরাংক্লিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক পায়রিবশিংগী ওইনদি ইন্দিয়াগা য়ূমথংনরিবা লৈবাক ৩ হায়বদি অফঘানিষ্টান, পাকিস্টান অমসুং বাংলাদেশতা লৈরিবা রেলিজিয়স মাইনোরিটিশিং হায়বদি হিন্দু, খৃষ্টান, শিখ, বুধিষ্ট, জৈন অমদি পর্সিশিং মীনুংশি য়েংলগা মতেং পাংদুনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনবদা হান্না চহী ১১ ইন্দিয়াদা লৈরবদি ইন্দিয়াগী সিটিজনশিপ ওইবা য়ারম্বসি চহী ৬তা হন্থরগা ক্বালিফাই ওইরবা মীওইশিং লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদা হেক্তা অথিংবা লৈতনা খুন্দা লৈতাহনবা য়াহনবসিনি।

হায়রিবা মীপাইনীংঙাই ওইরবা ৱাফমসিদনি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী লৈঙাকপশিং অমদি মীচম মীয়াম্না য়াম্না কন্না য়ানীংদবদগী অচৌবা ঈহৌ হৌরিবসি। করিগুম্বা মসিদা তাবিদ্রবা, নম্ফুদা তৌশিনখ্রবদি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা তম্বা ঙমদবা অওনবা অমা পুরক্কদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোন ফাওবা পুথোক্লদুনা/হৌদোক্লদুনা খন্নবা হৌখিবগী তাঙ্কক কয়া পাউচেশিং, ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংদা ময়েক শেংনা ফোঙনখ্রবনি।

হীরম কয়াদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা তুংদা মাঙজগদবশিং খনবদগী লূপ খরনা হান্না চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারী ৮দা লোক সভাদা পাস তৌখিবা/তৌখ্রবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬সি ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়রিবা ৱাফমসি অইবসু শুকশোয় শোয়দনা, হৌজিক হৌজিক ময়োল লৈঙাক পায়বিরিবনা লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা মথক্কী বিলসি হান্না হন্দাকপীরবা মতুংদা চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারী ১৪দা, ১৫দা অমদি ২২দা নৌনা অঙাং মচাদা করিসু খঙলোই হায়না মোইথেমগী মওংদা থম্বীনীংলিবা প্রোভিজনশিং/ক্লোজশিং অমুক সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬তা য়াওহনবিরবা/ইনকোর্পোরেট তৌবিরবা মতুংদা নৌনা লোক সভাদা পুথোক্লগা খন্নরকপা মতমদদি মরম খরদগী য়ানীংদসু য়ানীংদনা তঙাইফদনা য়ারকপা য়াই হায়না থমজগে। হায়জরিবা মরমদি করিগীনো হায়বদা ইচম চম্বা লোজিক অমগী মখাদনি -

‘‘সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬তা য়াওরিবা সেক্সনশিং, সব সেক্সনশিং অমদি বিলসিনা এক্ট ওল্লক্লবা মতমদা ওইহন্নীংলিবা ৱাফম/ৱারোল ময়ামদু চপ মান্ননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা পাস তৌদোইসি। সভা অনীমক্তা চপ মান্নবা বিলগী মরোলসি পাস তৌরবা মতমদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা হেক পীবদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬সি সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০১৮ হায়রগা সেন্ত্রেল এক্ট অমা ওইনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা ষ্টেটশিং অমসুং টেরিটোরিশিংদা চপ মান্নবা মওংদা/ফীভমদা চৎনগদৌরিবনি। করিগুম্বা হীরম খরদা ষ্টেট এক্ট ওইনা লৈজরম্বদা মান্নবা হীরম খরদদি ষ্টেট এক্টকী প্রোভিজনশিংদু সেন্ত্রেল এক্টকী প্রোভিজনশিংনা/সেক্সনশিংনা সুপরসিদ (নমথৎকদৌরিবনি) তৌগদৌরিবনি। মসি মশানা তাদুনা লৈরবা/চুমদুনা লৈরবা ৱাফমনি। অদুবু ময়োল লৈঙাক্না পাস তৌনীংলিবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ হায়রিবসিদি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা অমসুং ষ্টেটশিংগী মীয়াম্না য়াদে/য়ানীংদে হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌনা তৌনা লোক সভাদা ২০১৯গী জন্যুৱারী ৮দা পাস তৌথোকখ্রে। রাজ্য সভাদদি পুথোক্ত্রিবনিনা মফম খঙদ্রি, হায়বা ঙমদ্রি।

মরকসিদা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী লৈঙাকশিং অমসুং মীয়াম্না য়াম্না কন্না য়ানীংদবগী মখল মখাগী খোল্লাউ অমদি খোঙজংশিং চঙশিল্লকপদগী ইন্দিয়াগী ময়োল লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী অমদি এজেন্সি কয়াগী খৃত্থাংদগী মোইথেম ৱারোল কয়া চহীসিগী জন্যুৱারী ১৪, ১৫, ২২দা মথং মথং থম্বীরক্লিবশিং হান্না চহীসিগী জন্যুৱারী ৮দা লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ হায়বদি চপ মান্নবা বিলদুদা য়াওহৌদবসি রাজ্য সভাদা পুথোক্কদৌরিবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ হায়দনা চপ মান্নবা বিল মশাদা হাওস অনীদা তোঙান তোঙান্না শেম-শারগা পুথোকপা য়াব্রা/শেমদোক্লগা পাস তৌবা য়াবগী চৎনবী লৈব্রা, অইবনা খঙজদবদগী ইচম চম্না মতুংদা খঙজহৌনবা হঙ্গৎচবনি।

মতাংসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি - চপ মান্নবা বিলদুমক ওইদনা শুপ্নতংগী মমিং মান্নরগা মনুংগী মচাকশিংদুদি মান্নদনা পাস তৌবা য়ারগদি য়ারে/ফরে। করিগুম্বা য়াদবা মরম লৈরগদি - য়ানীংদবদগী অকনবা ঈরাং/ঈহৌ হৌরিবা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী কমন ইন্টরেষ্টতা চহীসিগী জন্যুৱারী ৮দা লোক সভাদা পাস তৌখিবা বিলদুমক অমুক হন্দোকপীরগা/ৱিথদ্রো তৌবিরগা ময়োল লৈঙাক্না হাপচিনবিনীংলিবা ৱারোলশিংদো শেংনা হাপচিনবিরগা পুথোকপীরবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়না থমজগে। করিগীনো হায়বদা ময়োল লৈঙাক্না শেমদোকপীনীংবগী অপাম্বা মরোলশিং হৌজিক্কী ওইনদি লৈবিরবনিনা। মখা খরা হেন্না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংনা পামগদবা/য়ানীংগদবা ৱারোলশিং সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬তুদা হাপচিনবিরবদি হেন্না মীয়ামগী য়াইফবনি।

মথক্কীসি ফাওবনা পাউচেশিংদা ফোঙনখিবদুগী মতুং ইন্না থমজখিবনি। অদুগা অইবগী ওইনা মণিপুর ইমাগী য়েলহৌমী অমা ওইনা ফাওরকপা ৱাখলগী ইহুল অমতং মতাংসিদা থমজগে। ‘শন্দ্রেম্বী ইমাদি অৱাবগী চৈনাসে ঙক য়ৌশিল্লক্কে, ইচাসা! নখোয় খঙনা খঙনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ঙমদনা, খঙনা খঙনা নখোয় মশেল ফিরাল পায়নবা তানদুনা লৈরিঙৈদা - উনা উনা মীতোপশিংগী শরৌ লাংদা নশা নশাসু য়াওনা থুহল্লগেরা? মতম লৈরিঙৈসিদা শিনবাংহৌরো! মতাংনা চাশিল্লক্তুবা মতমসিদা করি তৌসিগে হায়না খন্নরকপদা মখাগী অসুম্না অইবগী ওইনা ৱারোল খরা থমজগে।

অহানবদা, চীং-তম থোং মান্ননা ইশা-ইশাগী মিংদা লৈজরিবা লমশিং করিগুম্বা মওং অমত্তদা মীতোপ্তা শুকয়োন য়োন্দবগা লোয়ননা মীতোপ্তা য়ূম/কা/লম শান্দোক্তবা/ইশানা অয়াবা মওংদা শীজিন্নবা।

অনীশুবদা, ষ্টেট লেন্দ ওইনা লৈরিবশিংগী মরীক চুম্বা/অচুম্বা লেন্দ রেকোর্দশিং, মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদগী সী এস ওশিংনা লৈঙাক্তা হায়জরগা খঙদোকমিন্নবা, মথৌ তাবা ফোটোষ্টেট/সার্টিফাইদ তৌরবা কোপিশিং পায়শিনবিহৌনবা হোৎনমিন্নবা।

অহুমশুবদা, ষ্টেট লৈঙাক্না মীতোপ্তা লম পীনবগী থৌরাংশিং পায়খৎপীদনবা হায়জবগা লোয়ননা মীয়াম্না কন্না থিংবা। লৈঙাক মপূনা/লৈঙাকলোইশিংনা ঐগী/ঐখোয়গী মীয়াম্না শুকয়া য়াদে হায়না মরী লৈনবশিংদা হায়বিবা। অদুঙৈ ইপূ থাঙ্গাল জেনরেলনা হায়খিবা- ‘সাহেব ঐগী প্রজাশিংনা সাহেব নখোয়বু য়াদে।’

মরিশুবদা, মীতোপ্না কৈথেলশিং য়াওনা লৈরক খুল্লক্তা লল্লোন-ঈতিক তৌনবা অশানবা য়ূম/কা ৱাইগে হায়বদা শান্দোক্তবা, করিগুম্বা হাংলগনা মখোয়গী পোৎ য়োনফমশিং (দুকানশিং) দগী পোৎশিং য়েলহৌমী অমত্তনা পোৎ লৈদবা, মখোয়দা মখল অমত্তগী নত্তবা থৌওংশিং উৎতবা।

মঙাশুবদা, মণিপুর ষ্টেটসিগী ওইনা লৈরিবা চঙথোক-চঙশিনগী হায়ৱেশিংগী ঙমখৈশিংদা য়েংশিন্নবা লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী লেম্না মতেং পাংবা ওইনা ষ্টেট লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরগা সী এস ওশিংনা অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগা ফজবা থৌশিল অমা পুথোক্লগা য়ূমথোঙ খুদিংগী মীওই খরা খরা শিন্ন-শিন্নদুনা নুমিৎ অসুক-অসুক মফমশিংদা লৈহন্নবা শিনবীবা, তঙাইফদবা ইমুংশিংনা মখোয়গী নুমিৎ তারকপশিংদা মখোয়গা য়ানজবা ইমুং মশেল লন্নাইগী ওইনা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌনজবা।

তরুকশুবদা, অদুঙৈ ইরমদমসিদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখিবদুগী/বৃটিশনা খুদুম চনবা ঙমখিবদুগী মপূং ওইবা মরমশিং অমদি মদুদা খুরক্কী ঈনা লাই শাখিবশিংদু হৌজিক্কী খুন্নাইসিদদি ইরমদম কায়হন্নবা থৌরাংবা অশেংবা য়েক্লবশিংনি হায়না মশক খঙদোক্লগা, মীয়াম খঙনা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং মখোয়গী মথক্তা লৌখৎপা।

তরেৎশুবদা, ঐখোয় য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবা/ইরমদমসিদা হিংজবা ঙম্নবা থৌরাং লৌখৎচবদা অয়াবা লম্বী/ঙাক্লৌ পীবিয়ু হায়জবদা য়াবিদ্রবা/তাবিদ্রবদি তঙাইফদনা হান্না চাওখৎলমদ্রবসু/চাওখৎলম্বসু হান্না ইরোমদোম লৈজরম্বা ইরমদমগী পাক চাউবা ঙমখৈগা কোন্ননা তোখায়না লৈজবা য়ানবা মায়কৈরোমদা মালেমগী থাক্তা অখাঙ অহৈ অমদি মীয়াম পূন্না হোৎনবা/থেংনবা।

অরোইবদা থমজনীংবদি, য়েলহৌমী ঐখোয়দি তরেৎনা খুজিং ওইবনি। য়েক-৭, সলাই-৭, চয়োল নুমিৎ-৭, হৈরম-৭, লৈরম-৭, কবোক নাচল -৭, লাইমিং লংহিং লংজা-৭, কোরৌ নুমিৎ (চুমথাং) মচু-৭কী মশক ওইবা পাফল ফিরাল, মাইচৌ (ইপূ)-৭, মসিনা য়েলহৌমী ঐখোয়গী মায় পাক্লবগী লেংফদ্রবা লম্বীনি। য়েলহৌমী ঐখোয়গী অশেংবা হৌরকফম - সেদ্যুল ত্রাইব হায়বসি ঐখোয়গী ওইফম থোকপা/ফংফম থোকপা হৌরকঙৈগী মনাৎনি। ঐখোয় ইশাগী লাইনীং লাইশোন অমদি চৎন-লীচৎনা য়েলহৌমী ঐখোয়বু কঞ্জনবগী অমত্তা ঙায়রবা লম্বীনি। মসিবুনি মতম কৌবী লাইরেম্বী ইমানা লাংওল্লকপা অওনবা খোঙলৈ হায়বদু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কংলা-শা ঙসিসু ঐখোয়গী ষ্টেট এমব্লেম ওইরি। বর্মিজনা অমুক, বৃটিশনা অমুক, অনীরক থুগাইরুরবনি।
(ক) করম্বা নিংথৌনা কংলাদা কংলা-শা ইহান হান্না শাখিবগে?
(খ) বর্মিজশিংনা চহী ৭ খুন্তাকপদা থুগাইরল্লবা মতুং নরসিংহ মহারাজনা অমুক নৌনা শাখিবনি। করম্বা চহীদনো?

২। ‘‘মানি নঙসে নুপী/মপু মাগী মঙলাল/মঙলাল মশামক/তাইবঙদা থোকপা লুগী তোংগী হকচাং।’’ পরেংশিং অসি কবি মীনকেতনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘ঈশ্বর করিনো? ঈশ্বরগী অশেংবা অর্থদি অমরোমদা ইংরাজিদা কন্ত্রোল্লর হায়বনি।’’ ৱাফম অসি ‘ধর্ম অমসুং বিজ্ঞান’ কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। ‘‘খনব্রা নঙনা নুমিৎ অদুদা/ইমাসিং অদুখক্তনি ফি লংথোক/ইকাই ইকি পূম্বা তেমশিংনখিবা।’’ পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। ‘‘শিনাই তুরেলগী মপান্দা চোংথা মিয়াগী হকচাং পোৎলোইখিবা মং অদু, ৱাপল ময়াম অমনা কোয়শিন্দুনা লৈরি। ৱাফম অসি ‘মেজর চোংথা মিয়া’ কৌবা পুন্সি ৱারীদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদ্দম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মতমদু ঙাইবদা পুন্সি লোইখিদৌরে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

*হিংলিবা* মীনা হিংলিবা মীওইশিংগীদমক কখোকপগা লোয়ননা অঙম্বা মতেং পাংবা হায়বসি থিদা-থিরুবদা ৱারী তাদুনা তোকপনা মশীং অয়াম্বা ওইনা তৌরবনি। মতমসিগী কাঙলোন্দা অনা-অয়েক অমা য়াওরকপদা ডোক্তর বাবুগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংলুবা মতমদা লুপা কয়া লৌরিবা অসিদা হায়বা ঙমগদবা কনাবু লৈরিবগে। কনা অমত্তা লৈরোই লমদমসিদা লৈরিবা ডোক্তর বাবুশিংদগী মপান লমগী ডোক্তর বাবুশিংনা লায়েংবদা পূক্লিং চঙবা, নারিবা মীওইদুবু মথৱায় নুংঙাইনবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবা মপান লমদা লায়েংবা চৎলুবা মীওইশিংনা অদুমক অশেংবদু হায়রবনি।

করিগুম্বদা ৱারীদু তারুরবা নুংশিবদি লায়রদুনা মমিং ফাওবা পন্নীংদবা হায়বদু থোক্লিবনি। চেঙ কিলোদা লুপা কুন্থ্রাগী মথক্তা পীনরবনিনা প্রাইভেট ডোক্তর অমদা লায়েংলুবা মতমদা লুপা কয়া? মশীং হায়রুবগী কান্নবা হায়ববু পোৎনা তাঙলক্লিবা মখৈ মসি হায়জিন্নবা নত্তে। অনাবা ফগেরা ফরোইরা খনবা ডাক্তর, মাইবা মীওইবা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈতবা য়াওদবা নত্তে। পৈশা ফংলগা লোইরে খনবা মসিনা লাইনীং ওইদুনা শেন্দাল লম্বীদা কাইদ্রগা লোইরে খনবা মসিনা পুকচেল শেংনা পৈশা খন্দনা কখোক্লবা মসিসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়সিগা চাংতমদুনা য়েংনবদা খেন্নবা হায়বা অদুমদি অদুমক লৈরবনি।

পৈশা ফজনা পায়রিবা অমসুং পায়দ্রিবা মখোয়শিং ঙম্নমক চিংখ-নান্থহৌবা য়াবা নত্তে। মরন-মথুম ময়াম লৈবা কনা-কনাগুম্বনা লায়রা অনং কয়াদা অঙম্বা মতেং পীবা, মমা-মপা লৈজদ্রবা চিলদ্রেন হোম কয়াদা মতেং পীবা মসিগুম্বা মীওই মশীং য়াম্বা নত্তে। ইনাক-কৈরাক খুনবনি হায়দুনা লৈজবী থাদনা চেকপল খাগৎতুনা হেক মন্নকপদা থোঙ্গাল শোলোনবা মসিসসু মথেল অমা ওইনা হৌজিকসু লৈরিবনি/য়াওরিবনি। কখোকপগা লোয়ননা পাম্মুবা লৈতনা মীওইবা কাঙলূপকীদমক হিংলিবা মখৈদি হোৎনখিগনি হায়বা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী কাঙলূপ্তা য়াওদি য়াওবনি। মখোয়শিংসিনা করিগুম্বা মতমদা তাইবঙপাল থাদোকখিবা তারবা পিরাং শিন্থনা কপচবা য়াওদৌরিবনি।

তুং কোয়না লৈহৌগদবা মীংচৎতি নুমিৎ-থানা লৈরিবমখৈ লৈতনীংঙাই লৈরোই। শিরগা লোইরবা মীওইবা, হিংলিঙৈদা করিগুম্বা তৌবা য়াবা থবক অমা ফাওবা তৌহৌদবদগী... পূম্নমক পোকপগী কান্নবা হায়বা অমা য়াওদবনা কনা কনাগুম্বনা শিখ্রবা মতুংদা শোন্নরি লৈকায়দা, খুলদা। শিখ্রবা মতুং ফাওবা শোন্নরিবদু মানা হিংলিঙৈদা মীওইবা খুন্নাইগী করিগুম্বা খরা কখোকপগা লোয়ননা তৌরম্বগী খুদমনি। মসি হিংলিবা মীওই খুদিংগী নত্তবগুম তৌবনি। য়ু থক্লগা নুপী অঙাংদা, মখা তাবদা, মানা ঙমগদবা মীওইদা থৌনা লৈনা উৎথোরকপদা মাগা মান্ননীংদবগী অদুক অরাক মানা ঙম্বা ওইনা উহন্নবা শিনবনা মশীং অয়াম্বনি। করিগুম্বা মতমদা য়ু থকপনি খঙনা-খঙনা অঙম তান্নদুনা খৎনবদা ময়াওবনি।

য়াম্না লুবা অমনা য়ু ঙাওবা নুপা অমগা ঙাওদবা নুপা অমগা অতম্নবা খৎনবদা য়ু ঙাওবা নুপাদুনা খুদোংচাবা হেন্না ফংই হায়বা থাজবা য়াবা ৱাফম নত্তে। ঙাওদবা মীওইদুনা খুদোংচাবা অদুমক ফংখ্রগদবনি। তাইবঙ মীওইবনা করিগীদমক ময়াই কাবা চিঞ্জাকপু পান্লিবা? শ্রী হনুমান্না চীং ফুক্তুনা পুরকপগী মতমদুদা লৈরম্বা লাইয়ামশিংদু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুবা লৈরমগদ্রা? লৈরমই হায়বগী ৱারীদা থেংনদবনি। লাইনদি য়ারোই, শ্রীশ্রী মহাদেবদি গঙ্গাদা খরা হৈনৈ। মসিমদি অদুক মরৈরবনি। গভর্ণমেন্টকী স্কুল, গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালনা, প্রাইভেট হোস্পিটালনা অদুমক হেন্দুনা চৎলগদবনি। মরমদি পৈশাদা খোংখুলাই চুবা হেন্দুনা লৈরবনি। অনা-অয়েকসিদি পৈশা নুংশা পায়জদবা ইমুং হায়বদি লায়রবা মখোয়দা নাহনবীদনা ইনাক কৈরাক খুনবা মখোয়দগী খুদোল ওইরবা কয়াদা নুংঙাইগদবনো? মসিদং তাইবঙবু শেম্বীবা মপূ মানা শিনবীবদা ওইথোক্কদ্রা? নৎত্রগা ওইথোক্লোইদ্রা?

ইনাক খুনবা ওইগেরা, লায়রবা ওইগেরা নাদ-য়েক্তনবা হোৎনবসিদি মী মীদুদা লৈদৌরিবনি। ঈশিংনা কংথরক্লবদা মদুদা লৈরম্বা ঙাশিংদু ককচেংনা মচিঞ্জাক ওইনা চাখিদৌরিবনি। ঈশিংনা মতোইনা চাউরক্লবা ঙাশিংনা অমুক ককচেং চাখিদৌরিবনি। মসি পংহায় হায়জিনবগী ৱা নত্তে। খুদোংচাবা ফংলগা মরোন থোক্তবা জীব ফাওবা চাথোক্লবগী পরমসিমা অদুমক লৈরবনি। হেঞ্জিন্না চাশিনবা মীনা চাবা তুমদবদগী মবুক নুংশিৎ কাদুনা মশা নুংঙাইতবা থোক্তনীংঙাই লৈরোই। করিগুম্বা মীয়ামগী ওইবা থবক অমা তৌবদা মনতিক্লবগী ৱাখলসিমা তৌদবা খ্বাইদগী ফরবনি।

অরাংফম ওইগেরা, চাকখুমগী ঐক্তা ওইগেরা খুদোলপোৎ পীবগী মতাংদা লুপা অদুক তৌগদবনি, মখাগী ওজা গুলামচৎকী থৌরমদুদা লুপা অসুক-অসুক তৌই হায়না মচিনমক্লা ফোঙদোকপা ওজা য়াওরিবা পোৎনি। অনা লায়েংবদা লুপা অদুক লৌই হায়নরিবা মসিমা লমদমসিদা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা কন্না চৎনখৎলকপা মসিদা হায়বদি ঙমদবা, মথম্মোয়দা পেঞ্জদবা মীগী মশীং ওন্থোক্লা য়ামখৎলক্লবনি। মসি অফবগী খুদমন হায়বা য়ারোইদৌরি।

অকুৎপদা লৈতৌবা, অতোংবদা লৈথোনবা মসিমা মুখৎপা ঙমদনা শিখাং খাংদুনা লৈদৌরি। খেন্নবা লাকপসিনা মমৈদদি মতা অমা ওইনা ঈহিং-নাহিং তারকখিদৌরিবনি। ইনাক খুনবসু, লায়রবসু খেন্নবা লৈত্রবা মতম অদুদা ইনৌ নৌবা মথেল অমগী চাওখৎপা লাক্তনিংঙাই লৈরোই। মতমদু ঙাইবদা পুন্সি লোইখিবনা হানগদৌরিবনি। তাইবঙ মীওইবদা খেন্নবা লৈবসিনা অমনা অমবু পেঞ্জদবগী ইনিল অমা নমদনা লৈদৌরি। মালেমসিদা খ্বাইদগী লুরিবসি ঐগীনি-মীগীনি খনবা অসিদগীসু অয়াম্বা ওইদৌরিবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

মরোল থোকপা লাই




*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*